*ওলিম্পিক্সতা রেসলিংগী মেডল ফংদুনা ইন্দিয়াগী শান্নবগী অচৌবা স্কিম অমা ওইরিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমগী মেম্বর ওইবদগী তোক্লকপদা অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না ফোঙদোকখিবা রেষ্টলর সুসিল কুমার*

*য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা ক্লবশিংগী খ্বাইদগীজ থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুএফা চেম্পিয়ন্স লীগকী পুৱারীদা পাঞ্জল ১০০ চন্দুনা অহানবা শান্নরোই ওইরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী ষ্ট্রাইকর রোনাল্ডো*

## ইন্দিয়াগী প্রনিথ অমসুং স্রিকান্থ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপীগীদা পি ভি সিন্ধু অদুগা মিক্সতা রেদ্দি অমসুং পোনাপ্পাসু ক্বার্টর চঙলি

OUE SINGAPORE OPEN 2017
11-16 APRIL 2017



*সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী প্রনিথ(ওই) অমদি স্রিকান্থ*

*সিঙ্গাপোর সিটি, এপ্রিল ১৩ ঃ*

সিঙ্গাপোর সিটিদা চথরিবা সিঙ্গাপোর ওপন সুপর সেরিজ বেদমিন্ট টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোই অনী বি সাই প্রনিথ অমসুং কিদম্বী স্রিকান্থ মখোয়–মখোয়গী মেটচ মায়পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী পিভি সিন্ধুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলি অদুগা মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বি সুমিট রেদ্দি অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা ইনি দয়াগী বি সাই প্রনিথনা চাইনাগী বিন কিয়াওবু ২১–১৫, ২১–২৩, ২১–১৬ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌননবগীদমক্তা থাইলেন্দগী টানোনসক সেন্সোমবুনসুক্কা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা কিদম্বী স্রিকান্থনা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই মুস্তোফা ইসান মোলানাবু ১৮–২১, ২১–১৯, ২২–২০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্না সেমি ফাইনেল য়ৌননবগীদমক চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই সি য়ুকিগা থেংনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা রিও ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেডালিষ্ট অমসুং চহী অসিগী ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজদা টাইটল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগীমেটচতা ইনে দানেসিয়াগী ফিত্রিয়ানি ফিত্রিয়ানিবু ১৯–২১, ২১–১৭, ২১–৮ তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইনি দয়া ওপনগী ফাইনেলদা মহাক্না মায়থিবা পীরম্বী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা শান্নগনি।

স্পেনগী মারিননা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সিয়া সিন লিবু ২১–১৭, ২১–১১ দা থোইরম্বনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতা ইনি দয়াগী জুরা বি সুমিট রেদ্দি অমদি আস্বিনি পোনাপ্পানা জুরা ওইরগা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী জুরা জে হুৱান কিম অমসুং লি সো হিগা লম্বা তৌনরকপদা ইন্দিয়াগী জুরা অদুনা ১৭–২১, ২১–১৭, ২১–১৬ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরবা ইনি দয়াগী জুরা অদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌননবগীদমক চাইনাগী জুরা লু কা অমসুং হুৱাং য়াকিওংগা শান্নগদৌরি।

নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী টিম অমত্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদে। নুপাগী দবলসতা ইনে দানেসিয়াগী জুরা অনী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। লোয়ননা জপানগী জুরা অমা, দেনমার্ককী জুরা অমা, চাইনাগী জুরা অমা, মালেসিয়াগী জুরা অমা লোয়ননা হোং কোংগী জুরা অমনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌননবগীদমক মখোয়–মখোয়গী জুরাশিং অদুগা লোয়ননা তোঙান–তোঙানবা লালোং কয়া য়াৎপা লোইখ্রে হায়রি।

## মণিপুরগী নেরোকা ফুটবোল ক্লব ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি

*ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ ঃ*

মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা নেরোকা এফসিনা হিরো ইন্দিয়ান লীগকী অনীশুবা দিভিজনগী ঙরাং অনীশুবা রাউন্দগী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।



*মণিপুরগী নেরোকা এফসি ফুটবোল টিমগী শান্নরোইশিং*

পনবা য়াবদি ঙরাং মুম্বাইদা শান্নখিবা লীগ অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নেরোকো এফসিনা য়ুম্বু ওইখিবা কেনক্রে ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

থা অসিগী ৭ তা নেরোকা এফসিনা লীগ অসিগী কোলকতাদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা মফম অদুগী ক্লব সোউদর্ন সমিতিগা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখিবনি। মরম অদুনা টিম অসি মেটচ অনী লোইশিল্লকপদা অমা মায় পাক্লগা অমা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

নেরোকা এফসিনা কেনক্রে ফুটবোল টিম্বু মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা নেরোকাগী শান্নরোই অদু নাইজেরিয়া মচা ফেলিক্স চিদি ওদিলিনি।

লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা দিল্লি য়ুনাইটেদ ফুটবোল টিমসু মেটচ অনী শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অমা দ্রো চত্তুনা পোইন্ট ৪ ফংলিবনি। অদুবু মখোয়না পাঞ্জল চনবা মশিং অমা নেরোকা এফসিদগী হেন্দুনা পোইন্ট টেবলকী মাঙজিল থাবা ঙম্লিবনি।

টিম ৬ না লম্বা তৌনরিবা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগ অসিগী ফাইনেল রাউন্দদা খ্বাইদগী মকোক ওইরকপা টিম অদুনা আই লীগকীদমক্তা ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। অদুগা খ্বাইদগী মমৈদা লৈহৌবা টিম অদুনা থার্দ দিভিজনদা শান্নগদৌরি।

কোলকতাগী সাউদর্ন সমিতিসু ঙসি মখোয়না য়ুম্বু ওইরগা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী ক্লব লোনষ্টার কাশ্মিরগা শান্নবদা পাঞ্জল ১–০ দা মায় পাক্কুনা টিম অসিসু মেটচ অনী শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা অমা দ্রো চত্তুনা নেরোকা এফসিগা চপ মান্নবা পোইন্ট ৪ দা অনীশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নরি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী টিম অমা ওইরিবা সাউদর্ন সমিতিনা লোনষ্টার কাশ্মিরবু মায়থিবা পীবদা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোই রোনাল্ড সিং হনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি হোম এন্দ অৱে ফোর্মেটতা শরুক য়ারিবা টিম ৬ না অমনা অমগা মেটচ ২। ২ শান্নগদবা মরম্না পুন্না মেটচ ১২ শান্নগনি।

লীগ অসিগী অহুমশুবা রাউন্দগী অহানবা মেটচ অদু মণিপুরগী নেরোকা ফুটবোল ক্লবনা থা অসিগী ১৬ তা অন্ধ্র প্রদেশকী ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ফটে হায়দরবাদকা মফম অদুদা শান্নরগনি।

থা অসিগী ১৭ তা সাউদর্ন সমিতি অমসুং দিল্লি য়ুনাইটেদনা কোলকতাদা টিম অনীগী অহুমশুবা রাউন্দ অদু লম্বা তৌনগনি। অদুগা থংনবা নুমিৎতনা মুম্বাইদা কেনক্রেনা য়ুম্বা ওইরগা লোনষ্টার কাশ্মিরগা শান্নরগনি।

## এটলেটিকো মাদ্রিদ, মোনাকো অমদি রিয়েল মাদ্রিদ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা লেগকী ক্বার্টর ফাইনেলশিং মায় পাকখ্রে

UEFA CHAMPIONS LEAGUE

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ১৩ ঃ*

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা লেগকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং এটলেটিকো মাদ্রিদ, মোনাকো অমসুং রিয়েল মাদ্রিদ মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।



*এটলেটিকো মাদ্রিদকী গ্রিজমান (ওইদগী ২ শুবা) না লৈকেষ্টরগী মায়োক্তা পেনাল্টি চনখিবা*

ঙরাং চেম্পিয়ন্স লীগ অসিগী স্পেনগী সহর মাদ্রিদতা শান্নখিবা অহানবা লেগকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা এটলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং লৈকেষ্টর সিটি লম্বা তৌনখিবদা এটলেটিকো মাদ্রিদনা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

টিম অনীনা শান্নরকখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু শান্নবা হৌরকপদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীনা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙম্লখিদে। শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা লৈকেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি বোক্স মনুংদা নিয়ম লান্না থিংলুবগীদমক এটলেটিকো মাদ্রিদনা পেনাল্টি অমা ফংখি।

এটলেটিকো মাদ্রিদনা ফংখিবা পেনাল্টি অদু ঙরাং টিম অনীগী শান্নরোইশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংগা খরা চয়েৎনবা লৈখ্রবসু রেফরিনা পীথোকখ্রবা পেনাল্টি অদু এটলেটিকো মাদ্রিদকী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা ইন্টোইন গ্রিজমাননা কাউখিবদা পাঞ্জল ওইখিদুনা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা লৈকেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ১–০ দা হেল্লগা শান্নবগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু টিম অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নবা হৌরকখি। অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নখ্রবসু মখোয়–মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোক্লখিবদগী অনীশুবা হাল্ফ অদুসু পাঞ্জল অমত্তা মখা তানা লৈনখিদবদগী মেটচ অদু এটলেটিকো মাদ্রিদনা লৈকেষ্টর সিটিবু ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদুদা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী মোনাকোনা জর্মনিগী বোরুশিয়া দোর্টমুন্দবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা মোনাকোনা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। শান্নবগী হৌরকপদা মোনাকোগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক মশিং হেৎঞিল্লকপা মরম্না বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী দিফেন্দরশিং য়াম্না কন্না থিংনবা হোৎনখি। শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা মোনাকোনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা টিম অদুগী ষ্ট্রাইকর ফাবিনোনা কাউবদা পাঞ্জল ওইবা ঙমখিদে।

পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা মাঙজখ্রবা মতুং মোনাকোনা ফংখিবা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী কিলিয়ান মাপে লোটিন্না মেটচকী অদুগী অহানবা পাঞ্জল চন্লগা বোরুশিয়াবু মখোয়না মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ১০ রোমদা ঙাইশিল্লক্লবদা মোনাকোগী এটেক অমদা বোরুশিয়াগী দিফেন্দর স্বেন বেন্দরনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা মোনাকোনা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা মিনট ১২ শুরকপদা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দগী ওসমানে দেমবেলেনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। অদুবু মেটচকী ৭৯ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর কন্না থিদুনা লৈরিঙৈ মোনাকোগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লোটিননা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু হাপচিন্দুনা মোনাকোনা বোরুশিয়া দোর্টমুন্দবু পাঞ্জল ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ৬ তা ঙাইরবা দোর্টমুন্দগী সিঞ্জি কগাৱানা পাঞ্জল অমা চনখ্রবা মতুং টিম অদুগী ইক্বেলাইজর ফংবা ঙমখিদবদগী মোনাকোনা ৩–২ দা থোইখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী হোম গ্রাউন্দ অলিয়াঞ্জ এরেনাদা শান্নবদা রিয়েল মাদ্রিদকী খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা চনখিবা পাঞ্জল অনীনা মেটচ অদুদা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্লবসু জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিবা নংখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল বেয়র্ন ম্যুনিক্কী অর্টুরো ভিদালনা ২৫ শুবা মিনটতা চনখি। হাল্ফ অদুগী অরোইবা পুংজাদা ভিদালনা পাঞ্জল ওইরম্লগদবা তাঞ্জা অমা মাঙজখিবদগী পাঞ্জল হেনগৎপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফকী অনীশুবা মিনটতা খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা রিয়েল মাদ্রিদকী ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অদুগা ৭২ শুবা মিনটতা মহাক্না অমুক্কা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু বোরুশিয়াবু রিয়েল মাদ্রিদনা পাঞ্জল ২–১ দা থোইখি।

## ইন্দিয়াগী ভেলাবন পিএসএ ৱার্ল্ড টুর ইভেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, জোস্না লৈহৌরে

*জোহেন্সবর্গ, এপ্রিল ১৩ ঃ*

সাউথ অফ্রিকাগী জোহেন্সবর্গতা চথরিবা প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসনগী ৱার্ল্ড টুর ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ভেলাবন সেনথিল কুমার ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা নুপীগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পা ৱার্ল্ড ৱুমেন স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে।



*প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসনগী ৱার্ল্ড টুরগী ফাইনেল য়ৌখ্রবা ভেলাবন (ফাইল)*

জোহেন্সবর্গতা লৈবা পার্কভিয়ু ওপনদা শান্নরিবা পিএসএ ৱার্ল্ড টুর ইভেন্ট ফাইনেলগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী বৃটিস জুনিয়র ওপন স্কৱাস চেম্পিয়ন ওইরিবা ভেলাবন সেনটিল কুমারনা ফাইনেল অদুগী অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোই মার্ক ফুল্লরবু মিনট ৪৬ চঙনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা ১২–১০, ১১–৭, ১১–৯ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই হরিন্দর পাল সিংহ সান্ধুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকপদা ঙরাং ইজিপ্তকী শান্নরোই মোহমদ অলসেরবিনিগা লম্বা তৌনরকপদা ৮–১১, ৬–১১, ৫–১১ দা মায়থিদুনা ফাইনেলগী আশা মাঙখিবনি।

হরিন্দরবু থোইরম্বা ইজিপ্তকী মোহমদ অলসেরবিনিগা ইনি দয়াগী জুনিয়র চেম্পিয়ন ভেলাবান সেলটিল কুমারগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা ফম অসিদা চথরিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ঙরাং ইন্দিয়াগী শান্নরোই জোস্না চিনাপ্পানা ফ্রান্সকী কেমেলি সর্মেগা লম্বা তৌনবদা পুং ১ গা মিনট ১০ চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মহাক ৬–১১, ১২–১০, ৭–১১, ১১–৮, ৩–১১ দা মায়থিদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ফ্রান্সকী কেমেলি সর্মেনা ফোঙদোরকপদা ইন্দিয়াগী জোস্না চিনাপ্পাগী মায়কৈদগী ঙরাং শান্নখিবা মশান্না অদু মমাঙদা অমুক্তা অদুগুম্না চেকশিন্না লম্বা কন্না শান্নবা থেংনখিদ্রি হায়খি।

## প্রোফেসনেল ফুটবোলর্স এসোসিয়েসনগী প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মমিং লৌখৎপদা ইব্রাহিমোভিস অমসুং হেজার্দনা মাঙজিল থাদুনা চৎলি

*লন্দন, এপ্রিল ১৩ ঃ*

চহী খুদিংগী পিএফএ( প্রোফেসনেল ফুটবোলর্স এসোসিয়েসনন পীগদবা প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংগদৌরিবা শান্নরোই কয়াগী মমিং লাওথোকপদা ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা শান্নরিবা স্বিদেন মচা জলাটান ইব্রাহিমোভিস অমসুং চেলসি ফুটবোল ক্লবতা শান্নরিবা ইদেন হেজার্দনা অতোপ্পা শান্নরোইশিংগী মমিংদগী মাঙজিল থাদুনা চৎমিন্নরি।



কুমজা ২০১৬–১৭ গী ওইনা পুন্না প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা অদু পীননবা খনগৎপদা ইব্রাহিমোভিস অমসুং হেজার্দকী মমিংনা লিষ্ট অদুগী মকোক মথংদা লাকপনি।

মমাঙগী সিজনদা ইব্রাহিমোভিসনা মহাক মশামক্কী মায়কৈদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিদ্রবসু হন্দক্কী সিজন অসিদদি মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ এফসিগা কন্ট্রেক ইন্নদুনা শান্নরকপদা মেটচ ৪৩ গী মনুংদা পাঞ্জল ২৮ চন্দুনা অমদি অতোপ্পা তাঞ্জা ৫ অমনা টিমমেটনা পাঞ্জল চলহনবদা চাউনা মতেং পাংদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্লকখি। অমরোমদা চেলসি ফুটবোল ক্লবতা মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরগা শান্নরিবা বেলজিয়মগী ইদেন হেজার্দনা মেটচ ২৯ গী মনুংদা পাঞ্জল ১৪ চন্দুনা মহাকসু ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।